# ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্সট্রক্টর এন্থোনীগী মখাদা গ্রাস রুট কোর্স ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* ওষ্ট্রেলিয়াদগী লাকপা ফিফাগী ইন্সট্রক্টর ওইরিবা এন্থোনী ফ্রোসকী মখাদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথুগদবা এ আই এফ এফ– ফুটবোল ফেদরেসন ওফ ওষ্ট্রেলিয়া (এফ এফ এ)– অম্ফা গ্রাস রুট কোর্স ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওলেম্পিক ভবন্দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এ সন্তোশকুমারনা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কোর্স অসিগী অহৌবা ট্রেনিং সেসন নুংথিলদা আর্টিফিসেল টর্ফ খুমন লম্পাক্তা ট্রেনর ৩১ দা গ্রাস রুটকী অঙাংশিংদা ফুটবোল মশান্না অসিবু পামহনগদগে হায়বগী মতাংদা ফ্রোসকী মখাদা ট্রেনিংশিং পীবা হৌখি।



*ফিফা ইন্সট্রক্টর ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্থোনী ফ্রোসনা মণিপুরগী ট্রেনরশিংদা গ্রাস রুটস কোর্সকী মতাংদা ট্রেনিং পীবা।*

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা চহী ৬ তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৩৩সু শরুক য়াখি। হয়েং অয়ুক্তা চহী ৯ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা অমদি নুংথিলদনা চহী ১০দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা মখাতানা ট্রেনরশিংগী ট্রেনিং পীগনি। ট্রেনর ৩১ না শরুক য়াখিবা অসিগী মনুংদা নুপী ট্রেনর ৮ য়াওরি।

এ আই এফ এফকী মহুৎ শিন্দুনা অঞ্জনা তুরেস্বেকরনা এন্থোনী ফ্রোসকী এসিষ্ট তৌরি।

## SANTOSH TROPHY 2014

### ZONAL FIXTURES

**SOUTH ZONE**

Kerala, Karnataka, Tamilnadu, Andra Pradesh, Andaman Nicobar

| | | | |
|---|---|---|---|
| 26.1.14 | Andra Pradesh | vs | Andamnan Nicobar |
| 26.1.14 | Tamilnadu | vs | Kerala |
| 28.1.14 | Karnataka | vs | Andaman Nicobar |
| 28.1.14 | Kerala | vs | Andra Pradesh |
| 30.1.14 | Tamilnadu | vs | Andaman Nicobar |
| 1.2.14 | Andra Pradesh | vs | Kerala |
| 1.2.14 | Tamilnadu | vs | Karnataka |
| 3.2.14 | Kerala | vs | Karnataka |
| 3.2.14 | Andra Pradesh | vs | Tamilnadu |

**EAST ZONE**

GRP A : Jharkhand, Sikkim, Services
GRP B : Bengal, Bihar, Chattisgarh, Odisha

| | | | |
|---|---|---|---|
| 26.1.14 | Jharkhand | vs | Sikkim |
| 27.1.14 | Bengal | vs | Chattisgarh |
| 27.1.14 | Bihar | vs | Odisha |
| 28.1.14 | Services | vs | Jharkhand |
| 29.1.14 | Chattisgarh | vs | Odisha |
| 29.1.14 | Bengal | vs | Bihar |
| 30.1.14 | Services | vs | Sikkim |
| 31.1.14 | Bihar | vs | Chattishgarh |
| 31.1.14 | Bengal | vs | Odisha |

**NORTH-EAST ZONE**

GRP A : Manipur, Mizoram, Nagaland, Arunachal
GRP B : Assam, Tripura, Railways, Meghalaya

| | | | |
|---|---|---|---|
| 27.1.14 | Manipur | vs | Arunachal |
| 27.1.14 | Mizoram | vs | Nagaland |
| 28.1.14 | Railways | vs | Tripura |
| 28.1.14 | Meghalaya | vs | Assam |
| 29.1.14 | Mizoram | vs | Arunachal |
| 29.1.14 | Nagaland | vs | Manipur |
| 30.1.14 | Tripura | vs | Meghalaya |
| 30.1.14 | Assam | vs | Railways |
| 31.1.14 | Nagaland | vs | Arunachal |
| 31.1.14 | Mizoram | vs | Manipur |
| 1.2.14 | Assam | vs | Tripura |
| 1.2.14 | Meghalaya | vs | Railways |

**NORTH ZONE**

GRP A – Haryana, Delhi, Chandigarh, Uttaranchal
GRP B – Jammu & Kashmir, Punjab, Uttar Pradesh, Himachal

| | | | |
|---|---|---|---|
| 30.1.14 | Haryana | vs | Chandigarh |
| 30.1.14 | Delhi | vs | Uttaranchal |
| 31.1.14 | Punjab | vs | Himachal |
| 31.1.14 | Uttar Pradesh | vs | Jammu & Kashmir |
| 1.2.14 | Uttaranchal | vs | Haryana |
| 1.2.14 | Delhi | vs | Chandigarh |
| 2.2.14 | Jammu & Kashmir | vs | Punjab |
| 2.2.14 | Uttar Pradesh | vs | Himachal |
| 3.2.14 | Uttaranchal | vs | Chandigarh |
| 3.2.14 | Haryana | vs | Delhi |
| 4.2.14 | Jammu & Kashmir | vs | Himachal |
| 4.2.14 | Uttar Pradesh | vs | Punjab |

**WEST ZONE**

GRP A – Maharashtra, Gujrat, Madhya Pradesh
GRP B – Daman & Diu, Goa

| | | | |
|---|---|---|---|
| 30.1.14 | Maharashtra | vs | Gujrat |
| 1.2.14 | Daman & Diu | vs | Goa |
| 1.2.14 | Gujrat | vs | Madhya Pradesh |
| 3.2.14 | Maharashtra | vs | Madhya Pradesh |

## ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট
# নাপসানা ব্লু হোক মায়থীবা পীখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী লংথবাল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাপসানা ব্লু হোকপু রন ৪৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু নাপসানা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৭ লৌখি। ইনিংস অদুদা টি ঐচ বিপিননা বোল ৫৬ তা রন ৫২, ঈ শান্তনা বোল ৩৫ দা রন ২৪, এল রতনকুমারনা বোল ২৮ দা রন ২৩ অমদি এন পুথিবনা নোট আউট ওইরগা বোল ৮ দা রন ১৪ লৌখি। ব্লু হোক্কী বোল্লর বোবী অমদি সুর্জিৎনা ৱিকেট ২ / ২ অমদি হেমচন্দ্রনা ৱিকেট ১ লৌখি।

ব্লু হোকনা নাপসানা থম্লমখিবা টার্গেট রন ১৪৮গী পাউখুম পীনবগীদমক অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৫.৩ দা ৱিকেট পুম্নমক তুরগা রন ৯৮ খক লৌখি। ইনিংস অদুদা সুরর্জিৎনা বোল ৬৩ দা রন ৩৩, আনন্দনা বোল ২৩ দা রন ১৩, বোবীনা বোল ২১ দা রন ৯ অমদি বব্লুনা বোল ৯ দা রন ৯ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর অচৌবা, মহেশ অমদি ভোগেননা ৱিকেট ২ / ২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা নাপসাগী বেটচমেন টি ঐচ বিপিননা তাখি। হয়েং চেম্পকা মোদেল ক্লবকা শান্নগনি।

# সি সি মিটকী রন্নর ট্রাউ লোক্তাক ট্রোফিগী ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* ৫৭ শুবা সি সি মিটকী রন্নর তাখিবা ট্রাউ ক্কাকৈথেলনা নেরোকা শঙাকফম্বু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ৭ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী অহানবা ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মোইরাং মল্টি পরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসি মতম শাংনা লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী সেমি ফাইনেলগী মেটচশিং শান্নবা হৌখিবনি। ট্রাউগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু রোনাল্ড অমদি ধনঞ্জয়না ৫১ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। নেরোকাগী গোল অদুনা টি ঐচ রতননা ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস এস য়ু শিংজমৈগা জেট এফ সি চুডাচান্দপুরগা শান্নগনি।


# ৱাই পি ও অমদি য়ু বি এস এ সেনা কপ ফুটবোলগী ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* ৱাই পি ও সোরা অমদি য়ু বি এস এ মন্তক্রা ১৫ শুবা সেনা কপ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেলদা থা অসিগী ২০ দা থেংনরগনি।

সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি ও সোরানা এস দব্লিউ সি ৱাইখোংবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। ৱাই পি ওগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু নুর সাসিনা ১১ অমসুং ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। এস দব্লিউ সিগী গোল অদুনা রিসিকান্তনা ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

# জিরি কপতা দাইগর মারনা আসাম রাইফলসপু টাই ব্রেক্তা থোইখ্রে

FOOTBALL



*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দাইগর মার স্পোটিং ক্লব কশার আসাম্না ২৭ শুবা আসাম রাইফলস জিরিবাম্বু টাই ব্রেক্তা গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

দাইগর মার অমদি ২৭ শুবা আসাম রাইফলসনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তদি টিম অনীনা গোল অমমম চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাই ব্রেক্কা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি। টাই ব্রেক অদুদা দাইগর মার স্পোর্টিং ক্লবনা গোল ৪ অমদি ২৭ শুবা আসাম রাইফলসনা গোল ৩ চনখি। অজিজ হায়দর, পি রাজেস সিংহ, জোয়েল অমদি এন জি গ্যানেশ্বরনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

হয়েং ৫ শুবা প্রি লিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী মেটচতা লুঙ্গ্রেজাং য়ুঠ ক্লব জিরিবাম অমদি ফাইতোল য়ুঠ ক্লব তাংমেংলোং শান্নগনি।

# য়ায়া অমদি কে দব্লিউ মায় পাকখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথুরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা য়ায়া পল্লেল অমদি কে দব্লিউ কোংপাল মায় পাকখ্রে।

অহানবদা শান্নখিবা গ্রুপ (কে)গী মেটচতা য়ায়া পল্লেলনা ৱাই ভি এ ৱাংজিংবু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাই ভি এনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৭৩ লৌখি। য়ায়ানা টার্গেট রন ৭৪গী পাউখুম পীনবগীদমক অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা টার্গেট রন অদু ওভর ১২.৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা লৌদুনা মায় পাকখি। মেন ওফ দি মেটচনা য়ায়াগী সন্দিপনা তাখি।

অনীশুবদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা কে দব্লিউ কোংপালনা লিলোং এলভেনবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি। লিলোং এলভেননা অহানবা ইনিংস্তা ওভর ১৩.১ দা ওল আউট ওইরগা রন ৫০ লৌখি। কে দব্লিউনা অনীশুবা ইনিংসতা ওভর ১২.৩দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৫৪ লৌদুনা মায় পাকখিবনি।

# বি এম এস সি এম য়ু পি সিগী সেমি চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ঃ* মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রীমিয়র কপ (এম য়ু পি সি) ২০১৪গী দা শরুক য়ান্নবা ইন্দিয়াগী টিম অমা খন্নবগী ঙরাংদগী জৱাহর নেহরু ষ্টেদিয়ম ন্যু দিল্লিদা চথুরিবা নোর্থ, নোর্থ–ইষ্ট অমদি ইষ্ট জোনগী ক্কালিফায়িং রাউন্দগী গ্রুপ (দি) দা লৈরিবা মণিপুরগী মহুৎ শিল্লিবা বি এম এস সি তাওবুংখোক্লা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বি এম এস সিনা রাংদাইজেৎ য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব শিল্লোংবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। বি এম এস সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জেনিসনা ৬ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা ২ অমদি সুরেশনা ১৩ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৮ দা শান্নগনি।












Published by W. Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77;
Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*